**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 07-06-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) জিরিবাম জিলাদা মখা তাবা পামদবা থৌদোক থোরক্তনবা করফিউ থমজিনখ্রে। মীয়ামা শান্তি লৈনা অমদি অরানবা পাউ থাজবিদনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা আপীল তৌরক্লি।

২) মণিপুরদা ইরাং থোকহন্নবা হোৎনবদা চেন্নবা কে.এন.এফ-এম.সিগী মীওই অমা এন.আই.এনা ইম্ফাল এয়ারপোর্টতগী ফারে।

অমসুং

৩) জে.দি.য়ু অমসুং এন.দি.এগী পার্লিয়ামেন্টরি পার্তিগী মীফম ঙসি দিল্লিদা ফমদুনা সরকার শেম্বগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নগনি হায়রি।

------

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবাম জিলাদা মখা তাবা পামদবা থৌদোক থোরক্তনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্টেটনা ঙরাংদগী করফিউ থমজিনখ্রে।

জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট কৃষ্ণকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- আইন অমসুং শান্তি রক্সা অমদি মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা খুদোংচাদবা মায়োকরে। জিলা অসিগী মনুংদা পামদবা থৌদোক থোরকপা অমদি লন থুম মাং তাকহল্লকপগী ওইথোকপা য়াবা ফিভম অমা লৈরে। মরম অদুনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না মীয়াম চৎথোক চৎশিন তৌদনবা পাব্লিক করফিউ থমজিনবগা লোয়ননা দরকার ওইবা মীয়ামদা তঙাইফদবা মতেংশিং পীনবসু হোৎনরি। জিলা অসিদা মখা তাবা পামদবা থৌদোক থোদোক্তনবা অমদি ইরাং লাকশিন্নবা দিষ্ট্রিক্ট

পুলিস অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সনা হোৎনরি। মরম অদুনা মীয়ামা মরুওইনা, জিরিবাম জিলাদা লৈরিবা মীওইশিংনা শান্তি লৈনা ইংনা তপা লৈদুনা অরানবা পাউদা থাজবীদনবা আপীল তৌরক্লি।

দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট জিরিবামনা এস.পি. জিরিবামদা মখা তাবা পামদবা থৌদোকশিং থোরক্তনবা খুদোংথিনিঙাই ওইবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্স থমবা খঙহনখ্রে। ওইরক্লিবা ফিভম অসি য়েংলগা খুদোংথিবা থোরকপা য়াবা মফমশিং মশক খঙদোক্তুনা মফম অদুদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্স থাজিন্নবসু খঙহনখি। চেরোল অদুনা হায়- তমেংলোং জিলাগী এস.পিগা পাউ ফাওনদুনা জিরিবাম অমসুং তমেংলোংগা তাইনবা মফমশিংদা শান্তি রক্সা ঙাকবা হোৎনগদবনি হায়রি।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিশ্বজিৎনা মীওই অমা ঙরাং থবক শুবা চৎখিবদগী শিনা ফংখিবা অদুগী মখা তারকপদা খোইশাওনরবা মীয়ামা য়ুম খরা মৈ থাদোকখ্রে হায়রি। মীয়ামা জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনদা থোমজিনদুনা মীখলগা মরী লৈননা লৌখৎখিবা লাইসেন্স য়াওবা নোংমৈশিং পীথোরকবা ইরাং হৌরকখি হায়রি। ফিভম অদু য়েংলগা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা জিলা অদুদা করফিউ থমজিনখিবনি। মরক অসিদা, তমেংলোং জিলা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনসু তমেংলোং অমসুং জিরিবামগা তাইনবা মফমশিংদা সি.আর.পি.সিগী ধারা ১৪৪ গী মখাদা অথিংবা থমখ্রে।

জিরিবাম জিলাদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি য়েংলগা দি.সি ওফিসতা কন্ট্রোল রুম অমা হাংলে। কন্ট্রোল রুমগী নম্বরশিংদি- এ.দি.এম জিরিবাম- ৭০৮৫০৫২৬৩০ অমসুং এ.এস.পি জিরিবাম- ৭০০৫৪৭৫৩৭৪ নি। দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট জিরিবামনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- জিলা অসিদা মহৌশাগী পুন্সিদা অমুক হঞ্জিনহল্লকবা অমসুং ওইরক্লিবা ফিভম অসি লাকশিন্নবা অমদি ঈ-পাউ নিংথিনা ফাওনবা ঙমবগীদমক কন্ট্রোল রুম অসি হাংদোকপনি। চেরোল অদুনা হায়- এস.পি. জিরিবাম, ৩৯ অসাম রাইফলস কদমতালা, ৮৭ সি.আর.পি.এফ, ৭ আই.আর.বি অমসুং জিরিবাম অমদি বোরো বেক্রাগী এ.দি.সি, এ.দি.এম, এস.দি.ও, এস.দি.এমশিংনা কন্ট্রোল রুম অসি খুদক্তা

মথৌ তৌবা য়ানবা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিং অমমম থারকবা খঙহনখ্রে।

জিরিবাম জিলাদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি য়েংলগা জিলা অসিদা লৈবা সরকারগী ওফিসশিং, লন থুমশিং ঙাক শেন্নবা অমদি মরুওইবা চে চাংশিং মাং তাক্তনবা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা দি.এল.ওশিংদা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা পাউতাক পীখ্রে।

এনআইএ (এল)ঃ অৱাং নোংপোক লমদমদা লালহৌবগী ইরাং হেনগৎহন্নবা অমসুং মণিপুরদা হিংশা হেনগৎহন্নবা হোৎনবদা চেন্নবা মীওই অমা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ)না ঙরাং ইম্ফাল এয়ারপোর্টতগী ফারে।

চেরোল অমদা এন.আই.এনা হায়- কে.এন.এফ(এম.সি)গী মীওই থোংমিনথাং হাওকিপ এলাইজ থাংবোই হাওকিপ এলাইজ রোজর মমাং চহিগী জ্লাই ১৯ দা লৌখৎখিবা সু মোটো কেস অমগা মরী লৈননা ফাখিবনি। ম্যান্মার অমসুং অৱাং নোংপোক লমদমদা বেজ তৌবা তেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংনা শৌগৎতুনা কুকি অমসুং জোমি লালহৌবশিংনা মণিপুরদা অমসুং সরকারগী মথক্তা ইরাং শাগৎনবা হোৎনরি হায়বদু থিজিনবদগী খঙবা ঙমলে হায়রি। ফারবা মীওই অসি সেক্যুরিতি ফোর্সশিংদা এটেক চত্থবদা চেন্নে হায়বসু খঙবা ঙমলে। মহাক ম্যান্মারদা বেজ তৌবা কুকি নেসনেল ফ্রন্ট (বি)গা পাউ ফাওনদুনা মখোয়দগী মতেং লৌই হায়বসু খঙবা ঙমলে।

মণিপুর হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিদা শিজিন্নবগীদমক খুৎশু খুৎলায় অমদি পোকখায়বা য়াবা মচাক মথুমশিং ম্যান্মারদা বেজ তৌবা পি.দি.এফ-কে.এন.এফ(বি) লুচিংবশিংগা উন্নে হায়বদুসু এন.আই.এনা থিজিনবদগী খঙবা ঙমলে। মহাক কুকি নেসনেল ফ্রন্ট (মিলিটরি কাউন্সিল) অমসুং য়ুনাইতেদ ত্রাইবেল ভোলুন্তিয়ারসকী মেম্বরনি হায়বা মশানা য়াজরে।

পিআরও (এল)ঃ ভারতনা লান্মীনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী প্রেমনাগরদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। পি.আর.ও দিফেন্স থাদোরকপা পাউগী

মতুংইন্না কেম্প অদুদা মীওই ১৪০ রোম লায়েংখি। অমরোমদা, মহৈরোহশিংগা লান্মীগা উন্নবগী থৌরম অমা ইন্ফাল ইষ্টকী অন্দ্রোদা লৈবা কম্পনি ওপরেতিং বেজদা পাঙথোকখ্রে। এ দে ৱিথ কম্পনি কম্মান্দর হায়বসিগী মখাদা মহৈরোই ৯০ রোমা ভারত লান্মীগী ওফিসিয়েলশিংগা উন্নখি।

বোদি (এল)ঃ   থৌবাল জিলাগী খোংজোম সাপমদা ঙরাং মীওই অমনা য়োৎচৈনা কনবদগী লৈখিদ্রবী নুপীমচা মহৈরোই অদুগী হকচাং জেনিমসকী মোর্গতগী ইমুং মনুংনা লৌখ্রে। ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা হায়- মীশি অসিগী মতাং শেমখিবা জে.এ.সি অমসুং ইমুং মনুংগা খোংজোম পুলিসকী মরক্তা য়ান্নবা পুরকপদগী লৈখিদ্রবা হকচাং অদু ঙরাং পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুংদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকবা লৌখিবনি।

সরকার ঃ  নেসনেল দেমোক্রেতিক এল্লায়েন্স (এন.দি.এ)না কেন্দ্রদা সরকার শেমবা থৌরাং তৌবা লোইশিল্লক্লে। এন.দি.এদা য়াওরিবা দলশিংগী মীফম অমা ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্কনি। মীফম অসিদা বি.জে.পি, টি.দি.পি, জে.দি.য়ু, এল.জে.পি(আর), শিব সেনা, জে.দি.এস অমদি এন.দি.এগী মপাং দলশিংগী নৌনা খল্লবা এম.পিশিং শরুক য়াগনি।

মরক অসিদা, লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা রাজনীতিগী থবক থৌরমশিং কনখৎলক্লি। বি.জে.পি অমসুং জে.দি.য়ুগী লুচিংবশিং তোঙান তোঙানবা মীফমশিং পাঙথোক্কুনা ৱাফম কয়া খন্নরি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- এন.দি.এ সরকারগী ৱাশক লৌবা থৌরমগী মাংওইননা চুংশিন্নবা দলশিংগী থবক থৌরমশিং কনখৎলক্লে। বি.জে.পি প্রসিদেন্ট জে.দি. নদ্দা অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি রাজনাথ সিংহদা কেবিনেট শেমনবা এন.দি.এদা য়াওরিবা দলশিংগা ৱারী শান্নবা দাইত্ব শিন্নরে। জে.পি. নদ্দানা ঙরাং বি.জে.পি লুচিংবা অমদি কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিংগা কুইনা ৱারী শান্নখি। জে.দি.য়ুগী লুচিংবশিংনা বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি নিতিস কুমারগা নিউ দিল্লিদা উন্নখি। এন.দি.এগী পার্লিয়ামেন্টরি পার্তিগী মীফম মাংওইননা ঙসি অয়ুক জে.দি.য়ুগী

পার্লিয়ামেন্টরি পার্তিগী মীফম পাঙথোক্লবা য়াই। বি.জে.পি লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিবু য়েৎনবা লৈতনা এন.দি.এ এল্লায়েন্সকী লুচিংবা ওইনা খনখ্রবনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সনালৈবাক্তা- চন্দ্রবাবু নাইদু, নিতিস কুমারগী নিঙাইদা মোদি মকোক ঙাউগদৌরি হায়বা পাউসিগা লোয়ননা আগিপথ স্কিম হন্দোকবা স্পিসিয়েল ষ্টেটস পীনবা দিমান্দ তৌরে হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর নিউজদা- কাংলুপকী ইরাং চাউথোকহনবদা চেন্নবা ম্যান্মারগী মিলিটেন্টশিংগা মরী লৈনবা কে.এন.এফ(এম.সি)গী তোপ লিদর এন.আই.এনা ফারে হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- মণিপুর লৈঙাকলোইশিং অমসুং মখোয়গী পার্তিদা অহোংবা লাক্কদৌরিব্রা চীফ মিনিষ্টর বিরেন বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট সরদা, মিনিষ্টর সুশিলদ্রো অমসুং এম.এল.এ- এম. রামেশ্বর দিল্লি চৎখ্রে হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- শকখঙদবশিংনা লৈমাখোংদগী হৌরকফম ওইরিবা কান্তো শাবল ঙাকিজো লৌখোংদা থাউথি হৈথরকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মোর্নিং বেলদা- মোদিবু লুচিংবা খন্নবা এন.দি.এগী এম.পিশিং ঙসি মীফম পাঙথোক্কদৌরি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- জিরিবামদা মীওই অমা তমথিনা হাৎলম্লে, চাউনা উংখৎনরে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- বিরেন্না লুচিংবা সরকারদগী এন.পি.এফ তোকপা লৈতে হায়না দল অসিগী প্রসিদেন্ট অৱাংবৌ নিউমাইনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা- মোদি থ্রি পোইন্ট জিরো চৎমিন্নরিবশিংনা

মরুওইবা মিনিষ্ট্রিশিং পাল্লি, বি.জে.পিনা মরুওইবা মিনিষ্ট্রিশিং থাদোকিংদে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। কৌরকপদগী সি.এমগা সরদাগী দিল্লি য়ৌখ্রে, ঙসিগী মীফম পি.এম. ৱাশক লৌবা য়াগনি হায়বা পাউ অমস্ পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরে।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- কুকিগী এম.এল.এশিংগী মথক্তা এক্সন লৌনবা ইমাগী মৈরানা স্পিকরদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পোকফমদা- ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা মণিপুর মীয়াম্বু চাকনি ফিনিবদৌনা লোয়নখিবা অদুগী লমন খুম্বনি হায়না লৌই হায়না সেনিয়র পোলিতিসিয়ান ওক্রম জয়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা ঈচাউনা শোকহল্লবা ইমুংশিং সরকারগী মাইকৈদগী পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়না থাজবা পীখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেলদা- লোক সভা মীখলদা মায় পাক্লবা কঙ্গনা রনাউথ এয়ারপোর্টতা সেক্যুরিতি ষ্টাফনা খুৎপাকা থাখ্রে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- জিরিবামদা খুৎলায় পায়বশিংনা নুপা অমা তমথিনা হাৎখ্রে, সি.পি.সিগী ধারা ১৪৪ চলাইখ্রে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- তমেংলোং দি.সিনা তমেংলোং অমসুং জিরিবাম জিলাগী লোন্নবা মফমশিংদা করফিউ থমজিনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- মাও পুলিসনা ড্রগ লল্লোনবা মীওই অমা মাও গেটতগী ফারে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------